## অফঘান প্রসিদেন্ট অমসুং নাটোগী চীফনা পিছ টোক খন্নখ্রে

কাবুল, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ অশ্রফ ঘানি অমসুং নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গনা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা কাবুল গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবানগী মরক্তা চথরিবা পিছ টোককী মতাংদা খন্ন নৈনখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কাবুলদা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোংদোকখ্রে।

ঘানিগী ওফিসনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, নাকল অনীনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অফঘান পিছ প্রোসেস অমসুং নাটোনা অফঘানিষ্টানগী দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু লেপ্তুনা শৌগৎপগী ৱাফম খন্নখি। নাটোনা অফঘান দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মখা তানা শৌগৎপগা লোয়নননা অফঘান ফোর্সশিংবু ট্রেনিং পীবা, পাউতাক পীবা অমসুং মতেং পাংবগী মিসন মখা চথখিগনি হায়না ষ্টোল্টনবর্গকী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

চয়োল অহুম লেপ্লুরবা মতুং জন্যুৱারী ৫ দা অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী শানবা হৌখিবগা লোয়নননা খোঙথাং অসি লাকপনি। ৱারী রাউন্দ অসি লালগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদা সিজফায়র অমা চৎনহনবা অমসুং হাৎন শুনবগী ঈরাং হন্থহনবদা মিৎয়েং থমগনি।

## য়ুগন্দানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু মীখলগী রিজল্ট চৎহন্দনবা হোৎনবগী মরাল শিখ্রে




কম্পালা, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা য়ুগন্দাগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগী রিজল্ট চৎনহন্দনবা হোৎনৈ হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুগন্দা গভর্ণমেন্টগী স্পোক্সমেননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু মরাল শিখ্রে।

হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবা ওপোজিসন লিদর অমগী ময়ুমদা য়ু এস এম্বেসেদরনা চৎনবা হোৎনখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। মীয়াম্না পাম্নবা পোপ ষ্টার অমা ওইরম্বদগী লেজিসলেটর ওইরকখিবা বোবি ৱাইন হায়রগা হেন্না খঙনবা রোবার্ট ক্যাগুলানিগী ময়ুম অদু ওপোজিসন কেন্দিদেট অসিনা শগোলশেন নুমিৎকী মীখল অদুদা ভোট থাদরবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা মিলিটরিনা কোয়শিনখি।

কুমজা ১৯৮৯ দগী পৱার পায়রকখিবা হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট য়োৱেরি মুসেভেনি (৭৬) বু মীখল অদুদা ভোট চাদা ৫৯ ফঙদুনা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখি। ৱাইননা ভোট চাদা ৩৫ ফঙখি।

য়ুগন্দা অমসুং য়ু এস অসি মীচং ওইনবনা য়ুগন্দান গভর্ণমেন্টনা য়ু এসকী থৌওংবু ফোঙনা য়নিংদবা উৎলক্লিবা অসি মহৌশাগা মান্নদবা থৌওংনি হায়না লৌনৈ।

সোমালিয়াগী অফ্রিকান য়ুনিয়ন পিছ কিপ্পিং মিসনদা য়ুগন্দাগী লান্মীনা শরুক য়ারিবদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শৌগৎপগা লোয়নননা হৌখিবা চহী অহুম অসিদা য়ুগন্দাগী হেল্থ সেক্টরদা য়ু এসনা দোল্লর মিল্লিয়ন ১.৫ দোনেসন তৌখ্রে।

য়ু এস এম্বেসেদর নাটালি ঈ ব্রাউনবু কেপিটেল কম্পালা অৱাং থংবা চিদাইদা লৈবা ক্যাগুলানিগী ময়ুমদা চৎপা থিংখি হায়না য়ু এস এম্বেসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টকী করপসন অমসুং অচান মিরাই নাইবগী থৌওংশিংগী মরমদা চহী কয়া ঈশৈ শক্তুনা ফাওখিবা ৱাইনগী হকশেল অমসুং সেফতিগী মতাংদা খঙনিংবদগী এম্বেসেদর ব্রাউননা ৱাইনগী ময়ুমদা চৎপা পামখি হায়না মিসন অদুনা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন ওফৱোনা ওপোন্দোনা ফোঙদোকখিবদা, ব্রাউননা ৱাইনগী ময়ুমদা চৎনবগী মরম লৈতে। তশেংনবম মহাক্না তৌরিবদু য়ুগন্দাগী মনুংগী ওইবা পোলিটিক্স মরু ওইনা মীখলদা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনবনি। মহাক্না ঐখোয়গী মীখলগী রিজল্ট চৎনহন্দনবা অমসুং য়ুগন্দাগী মীয়ামগী হক খোঙ্গাওনবা হোৎনরি। দিপ্লোমেটিক নোর্মসকী ৱাংমদা মহাক্না করিমত্তা তৌরোইদবনি। ব্রাউননা মমাংদা থবক তৌখিবা লৈবাকশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখি হায়না ওপোন্দোনা ক্লেম তৌখি।

## সিনেট ইম্পিচমেন্ট ট্রাইএলদা ট্রম্পকী দিফেন্সতা য়াওরোই : গিয়ুলিয়ানি




ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

দোনাল্ড ট্রম্পকী পর্সনেল উকিল ওইরিবা রুদি গিয়ুলিয়ানিনা হায়খ্রে মদুদি মহাক সিনেটতা ইম্পিচমেন্ট ট্রাইএল চথবা মতমদা ওফিস থাদোক্লগদবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট অসিগী দিফেন্স টিমদা য়াওরোই।

থা অসিদা ৬ তা কেপিটোলদা থোকখিবা ঈরাংনা মরম ওইদুনা ইম্পিচমেন্ট ট্রাইএল অসি লাকপনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা হিল ন্যুজ ৱেবাইটতা পীবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হান্না ন্যু য়োর্ক সিটিগী মেয়রসু ওইরম্বা গিয়ুলিয়ানিনা হায়খি, ঐহাক ৱিটনেস অমা ওইবা য়াবনা লিগেল ইথিক্সকী রুলশিংনা ঐহাকপু ইম্পিচমেন্ট ট্রাইএল অদুদা প্রসিদেন্টকী মহুৎ শিনবা ট্রাইএল কাউন্সেল ওইবা য়াহল্লোই।

ৱাশিংটন দি সীদা লৈবা কেপিটোল বিল্ডিংদা ঈরাং থোকখিবা মতুং জান্যুৱারী ১৩ দা ট্রম্পপু হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা অনীরকশুবা ওইনা ইম্পিচ তৌখি। ঈরাং অদু ট্রম্পনা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা ৱা ঙাঙবদা থৌনা লৈবশিংনা কুমজা ২০২০ গী মীখলগী রিজল্টশিংদুগী মায়োক্তা লেপ্নবা আপীল তৌখিবা মতুংদা থোকখিবনি।

ট্রম্পকা লোয়নননা গিয়ুলিয়াননিনসু সপোর্টরশিং অদুদা লাঞ্জং চঙশিন্দুনা ট্রাইএল তৌনবা আপীল তৌখিবনি।

হাউসনা ট্রম্পপু গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ঈরাং হৌনবা ঈথিল পীবা অমসুং দিমোক্রেসিদা অকিবা পীবগী মরাল শিখি। ইম্পিচমেন্ট প্রোসেসকী মখাদা সিনেটনা ট্রম্পকী জুদিসল ষ্টাইলগী ট্রাইএল অমা চথগনি মদুদা সিনেটরশিংনা জুররশিং ওইগনি। ইম্পিচমেন্ট ট্রাইএল অদুদা কনানা ট্রম্প রিপজেন্ট তৌগদগে হায়বসি লাউথোক্ত্রি।

থা অসিগী অঙনবদা গিয়ুলিয়ানিনা হিল ন্যুজতা ফোঙদোকখিবদা মহাক সিনেটকী ট্রাইএলদা ট্রম্প রিপ্রজেন্ট তৌনিংই হায়খিবনি। হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা ট্রম্পকী অহানবা ইম্পিচমেন্ট ট্রাইএলদা ট্রম্প রিপ্রজেন্ট তৌখিবশিংদা য়াওবা মমিং লৈরবা এটোর্নি অলান দের্সোৱিটসনসু সিনেটকী ট্রাইএল অদুদা য়াওনিংই হায়খি। ইম্পিচমেন্ট ট্রাইএল অদু করম্বা মতমদা হৌগনি হায়বা শেংনা খঙদ্রি।

## রশিয়নশিংদা পেলোসিগী লেপটোপ য়োন্নবা হোৎনখিবা নুপী অমা ফারে



ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

থা অসিগী ৬ তা কেপিটোলগী ঈরাং থোক্লিঙৈ মনুংদা হাউসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিগী লেপটোপ হুরাল্লগা রশিয়ানশিংদা য়োন্নবা হোৎনখিবা নুপী অমা ফারে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী জষ্টিস দিপার্টমেন্টকী ৱেবসাইটতা থাগৎপা লিষ্টিং অমনা হায়, রিলি জুন ৱিলিয়ম নুমিৎ অদুগী অঙনবদা পেনসিলভেনিয়াগী মিদল দিষ্ট্রিক্টতা ফাখি। লিষ্টিং অসিনা ভাইওলেন্স অদুগা মরী লৈননা ফমশিং রেকোর্দ তৌশিল্লি। জষ্টিস দিপার্টমেন্টগী মতুং ইন্না ৱিলিয়মনা লোফুল ওথোরিটি য়াওদনা খঙনা খঙনা অথিংবা থম্বা বিল্ডিং নত্রগা গ্রাউন্দদা চঙশিনবা নত্রগা লৈশিনবা অমদি কেপিটোলগী গ্রাউন্দদা নম্ফন্দা চঙশিনবা মরিং মরাংবা থৌওংশিং চথবগী মরাল শিরে।

কোর্টফাইলিং অমদা এফ বি আইনা হায়খি, ৱিলিয়মসনা কম্প্যুটর দিভাইস অদু রশিয়াদা লৈবা তিন্নবা মীওই অমদা য়োন্নবা হোৎনখি হায়না ৱিটনেস অমনা ব্যুরো অসিদা হায়রকখি। রশিয়াদা লৈবা মীশক অদুনা দিভাইস অদু রশিয়াগী ফোরেন ইন্টলিজেন্স সর্ভিস এস ভি আর দা অমুক য়োন্নবা থৌরাং তৌখি। ৱিলিয়মসকী খুৎতা লেপটোপ অদু লৈরি নত্রগা মদু মহাক্না থুগাইখ্রে নত্রগা হুন্দোকখ্রে হায়বসি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। কোর্ট ফাইলিং অদুগী মতুং ইন্না, ৱিলিয়মসনা লেপটোপ অদুবু হুরানবগী ভিদিও অমসু এফ বি আইদা উৎখি।

ঈরাং অদু লোইরবা মতুংদা প্রজেন্টেসনদা শীজিন্নবা লেপতোপ অমা হুরানখ্রে হায়বসি পেলোসিগী চীফ ওফ ষ্টাফ দ্যু হম্মিলনা কনফর্ম তৌখি। তৌইগুম্বসুং ৱিলিয়মসনা হুরানখিবা লেপটোপতুরা হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

## *খুৎলাই পায়রগা মুক্লবদা পুলিস ওফিসর অমা শিরে*

*ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :*

*খুৎলাই পায়রগা মুক্লবগী থৌদোক অমদা য়ু এসকী ওহাইও, ষ্টেটতা পুলিস ওফিসর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।*

*সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না, থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা টোলেদা সিটিদা থোকখিবনি। মশাগী চহী ২৪ শুরবা ওফিসর ব্রান্দোন ষ্টাল্কর নোংমৈনা পানবদগী হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা শিখি হায়না টোলেদো পুলিস দিপার্টমেন্টকী চীফ জোজ ক্রালনা ফোঙদোকখি।*

*নুমিত্তুগী অঙনবদা সস্পেক্ট অদুনা রোজারি কেথ্রিদলদা অমাং অতা কয়া থোকহনখিবা মাল্লি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। মুক্লবা অদুদা সস্পেক্ট অদুসু কাপখি। মহাকসু হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা শিখি হায়না দিপার্টমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।*

*থৌদোক অদুগী রেস্পোন্স ওইনা ষ্টেট গভর্ণর মাইক দি ৱাইননা লুকাস কাউন্টিগী পব্লিক বিল্ডিংশিং অমসুং গ্রাউন্দ খুদিংমক্তা অমসুং ওহাইও ষ্টেটহাউসতা ভর্ন সেন্টর অমদি কলম্বসকী রোদস ষ্টেট ওফিসতা য়ু এস অমসুং ওহাইও ষ্টেটকী ফিরালশিং তঙ্খাই চিংথদুনা পাইহন্নবা ওর্দর তৌখি।*

*চহী অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা হাৎখিবা ওফিসরশিংগী মনুংদা স্পোলুরনা অনীশুবনি হায়না গভর্ণরনা ট্বিটর অমদা ফোঙদোকখি।*

*টোলেদোগী মেয়র ৱাদে কাপসজুকিৱিজকী মতুং ইন্না, হৌখিবা চহী অমরোমসিদা অতোপ্পা পুলিস ওফিসর অনীসু শিখ্রে। ওফিসর এন্থোনি দিয়া কুমজা ২০২০ গী জুলাই ৪ দা দ্যুটি তারিঙৈদা শিখি অমসুং অতোপ্পা অদুনা ইথা থাজদনা হৌখিবা চয়োলদা শিখি।*

## রোমান ফোর্টগী লেমহৌবা শরুকশিং ইজিপ্টকী অসৱানদা থেংনরে



কাইরো, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

ইজিপকী অসৱান গভর্নোরেট মমাংঙৈগী রোমান ফোর্ট অমগী লেমহৌবা শরুকশিং থেংনরে হায়না লৈবাক অসিগী টুরিজম এন্দ এন্টিক্বিটিজ মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

ইজিপ্টকী সুপ্রিম কাউন্সল ওফ এন্টিক্বিটিজগী সেক্রেটরি জেনরেল মুষ্টাফা ৱাজিরিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মমাংঙৈগী রোমান ফোর্টকী মফম অদুদা ইজিপ্টসন অর্কিওলোজিকেল মিসননা ঙল্লিঙৈগী কোপটিক মতমগী চর্চ অমগী লেমহৌবা শরুকশিং অমসুং টোলেমাইক মতমগী লাইশঙ অমগী লেমহৌবা শরুকশিংসু ফঙখি। সাইন অদুদা কোপটিক মতমগী অঙাংবা চেক্কী ভোল্ট অমগী শরুক অমসুং লৈবাক্লা শাবা পাত্র অমসু ফঙখি।

অপ্পর ইজিপ্টকী সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ এন্টিক্বিটিজগী মকোক মোহম্মদ, অবদেল বাদিনা ফোঙদোকখিবদা কোপটিক চর্চ অদু রোমান লালবন লৈরম্বা মফম অদুদা শাখিবনি।

চর্চ অদুগী নোংচুপ থংবা মাইকৈরোমদা কোইশিনবা লৈরংগী ৱাল অমগী লেমহৌবা শরুকশিংসু মিসন অদুনা থেংনরে হায়না অবদেল বাদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। চর্চ অদুগী অৱাং থংবা নাকলদা চেম্বর মরি, হোল অমা অমসুং মথক্লোমদা কাখৎপগী ষ্টেয়রকেস অমসু থেংনখি। খা থংবা নাকলদুদনা লৈবাক্কী পাত্র মৈ ইক্লবগী ওভনশিং থেংনখি।

হন্দক চহী খরা অসিদা নোর্থ অফ্রিকাগী লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা অর্কিওলোজিষ্টশিংনা মখল মখা কয়াগী পোৎশকশিং ফঙখি। মমাংঙৈগী পোৎশকশিংদুগী মনুংদা ফরাওশিংগী মোংফম ফুরাশিং, মীতমশিং, কুশিং অমসুং মম্মিশিং য়াওই।

## ফোরেন ফোর্সশিং হন্দোকপগী ৱাফম ইরাকি পোলিটিকেল ব্লোকনা কনফার্ম তৌখ্রে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

ইরাকতগী ফোরেন ফোর্সশিং হন্দোকহন্নবা পার্লিয়ামেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ থবক্তা ওন্থোক্লবা গভর্ণমেন্টদা মখা তানা তকশিনবগী ফিরেপ হন্দোক্লোই হায়না মরু ওইবা ইরাকি পোলিটিকেল ব্লোক অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হাদি অল-অমেরিনা লুচিংবা অল-ফাটিহ কোলিসননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হীরম অসিগী মতাংদা কনফার্ম তৌখিবা অসি ইরাকতা ফোরেন ফোর্সশিং লৈহন্দনবগী ৱারেপ অমা ইরাকি পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌবগা লোয়নননা মফম থাদোকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল মাহদিগী গভর্ণমেন্টনা মদুবু এপ্রুভ তৌখিবদগীনি হায়না ব্লোক অদুগী স্পোক্সমেন অহমদ অল-অসাদিনা ফোঙদোকখি।

অল অসাদিনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-কাধিমিনা ফম অসি পায়বা হৌখিবা মতমদা মহাক্কী পোলিটিকেল প্রোগ্রামদা ইরাকতগী ফোরেন ফোর্সশিং হন্দোকহনবগী ৱারেপ থবক্তা ওন্থোকপগী ৱাফম অসি য়াওখি।

কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৫ দা ইরাকি পার্লিয়ামেন্টনা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌদুনা গভর্ণমেন্টদা লৈবাক অদুদগী ফোরেন ফোর্সশিং হন্দোকহনখিনবা খঙহনখি। রিজোল্যুসন অদু বাঘদাদ এয়রপোর্ট মনাক্তা অমেরিকানা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা, ইরানগী ইস্লামিক রেভোল্যুসন গার্দস কোরগী কম্মান্দর কামিস সোলৈমানি অমসুং ইরাককী পেরামিলিটরি হসদ সাবি ফোর্সেসকী দেপ্যুটি চীফ অবু মাহদি অল মুহান্দিস হাৎখিবা মতুং নুমিৎ নীনি শুবদা পাস তৌখিবনি।

## মিলিটরিনা মাইগ্রেন্টশিং লম্বীদগী তকথোকখ্রে

ভাদো হোন্দো, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস তম্না চৎপদা ওথোরিটিশিংনা থিংবদগী অহিংদা কেম্প তৌদুনা লৈখিবা অয়াম্বনা হোন্দুরান মাইগ্রেন্টশিং ওইবা মীওই চা কয়া নিংথৌকাবা নুমিত্তা গ্বাতেমালাগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লম্বীদগী তকথোকখ্রে।

গ্বাটেমালান গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা লম্বী অদু বেটন অমসুং প্লাষ্টিক সিল্ডশিং পায়বা ক্রুপশিংনা মাইগ্রেন্টশিং অদু বোর্দর ক্রোসিংশিংদগী কিলোমিটর ৩৫ রোম লাপ্পা ভাদো হোন্দো ভিলেজদগী হেন্না থাপ্পা তানখাইখিবদগী অমুক হন্না চথোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লে। অঙাংশিং য়াওনা মাইগ্রেন্ট গ্রুপ কয়ানা বেগ অমসুং লগেজ পায়দুনা এল ফ্লোরিদো অমসুং হোন্দুরাসকী বোর্দর ক্রোসিং ফাওবা হন্নবগী বস তোংনবা হোৎনখি।

## মাইনরশিং কনবদা মতেং পাংনবা মেদিকেল এক্সপার্টশিং থাখ্রে

বৈজিং, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

লাংদা থুবগুম থোকপা য়াদনা গোল্ড মাইন অমগী মনুংদা লৈরিবা চাইনিজ মাইনরশিংবু কনবগী মিসনদা মতেং পাংনবা অমসুং মখোয়বু লমজিং লমতাকপীনবা চাইনাগী নেস্নেল হেল্থ কম্মিসন (এন ঐচ সী) না লৈবাকপোকপা নুমিত্ত এক্সপার্টটিম অমা সান্দোং প্রোভিন্সকী কিসিয়াদা থাখ্রে।

টিম অদুদা বৈজিংদা লৈবা মমিং লৈবা হোস্পিটালশিংগী মেদিকেল এক্সপার্ট মঙা য়াওই হায়না কম্মিসন্না ফোঙদোকখি। ইমর্জেন্সি মেদিকেল এইদকী শেম শাবদা গাইদ তৌনবা এন ঐচ সীনা সান্দোংদগী কিসিয়াদা মেদিকেল এক্সপার্ট টিম অনী থাখি।

থা অসিগী ১০ দা মাইন মনুংদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমনা মরম ওইদুনা ৱার্কর ২২ মনুংদগী থোকপা য়াখিদবনি। মনুংদা লৈরিবশিং অদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নোট অমা থাদুনা ৱার্কর ১২ হিংলি অমদি অতে ১০ গী ফীভম খঙদে হায়না খঙহল্লকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। মরী লৈনবা খোঙথাং অমদা মীশি মীনা য়াওবা অচৌবা এক্সিদেন্টশিং থোক্লনবগীদমক্তা লৈবাক অদুগী নন-কোল মাইনশিং মপুং ফানা ইন্সপেক্সন তৌনবা চাইনাগী নেস্নেল মাইন সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসননা ওর্দর তৌখ্রে। কেম্পেইন অদু মার্চ লোইবা ফাওবা চঙগনি। মাইনিং তৌখ্রবা এরিয়াশিং নিংখায়রকপা অমসুং পোকখায়রকগী থৌদোকশিং য়াওনা শাথিবা এক্সিদেন্টশিং থোকহন্দনবা হোৎনবদা মিৎয়েং থমগনি।

## রশিয়নশিংনা লম্বীদা প্রোটেষ্ট তৌনবা ক্রিম্লিন ক্রিটিক নাভালনিনা আপীল তৌখ্রে



মোস্কো, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

রশিয়নশিংনা লম্বীদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌনবা ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নাভালনিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা আপীল তৌখ্রে।

ওপোজিসন পোলিটিসন অসিবু থাদোক্লবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা তকশিনবা লৈনা লৈনা জজ অমনা মহাকপু ৱায়েল চথরিঙৈগী মাংওইননা নুমিৎ ৩০ নি জেলদা থম্নবা ওর্দর তৌখ্রবা মতুংদা মহাক্না আপীল অসি তৌখিবনি।

রুলিং অদুগী মাংওইননা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মোস্কোদা নাভালনি থাদোক্লবা তকশিনখি। লৈবাক খরনা মোস্কোগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবশিং থম্নবসু আপীল তৌখি। অমরোমদা মোস্কোনা মদুগী পাউখুম ওইনা লৈবাকশিং অদুদা মশা মশাগী মথৌদাংদা মায় ওনশিন্নবা হায়খি।

হৌখিবা কালেনদা নাভালনিবু নর্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নদুনা পোইজনিং তৌখিবা মতুং জর্মনিদা লায়েংবা লোয়রগা অহানবা ওইনা রশিয়াদা পাইরকখ্রবা মতুং মথংগী নুমিত্তা কোর্টনা মহাকপু সস্পেন্দ তৌখিবা জেলগী চৈরাক অমগী খোঙ্গাওনবগীদমক্তা ফাজিন্দুনা থম্নবা খঙহল্লিবা ওর্দর অদুনা অহানবা ওইরগা মতুং তাবা ওর্দরশিংনা মহাকপু চহী কয়া জেলদা লৈহনবা য়াই হায়না ওবজাভরশিংনা ফোঙদোক্লরি।

কেস অদুদা নারোলদা শেল পায়খৎখিবগী মরানদা পীবা চহী অহুম মখায়গী সস্পেন্দদা জেল টার্ম অমা মথং থাগী অঙনবদা জেলদা লৈবগী মতম ওন্থোকপীনবা মোস্কোগী প্রিজন সার্ভিসতা এপ্লাই তৌখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং নাভালনি মশানদি মদু শেমজিন শাজিনবা কেসনি হায়রি। মহাক অতে তোঙানবা ক্রিমিনেল কেস অহুমসু মায়োক্লরি।

নাভালনিবু পুলিস ষ্টেসনদগী পুথোরকখিবা মতমদা মহাক্না সপোর্টরশিংদা ৱা ঙাঙবদা মখোয়না কিগদবদি মখোয়গী ৱাখলদা লৈরিবা অকিবদুনি হায়খি।

অকিবা লৈতনা লম্বীদা থোকউ। ঐগীদমক্তা লম্বীদা থোক্লগা প্রোটেষ্ট তৌগদবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং নশাগী অমসুং তুংলমচৎকীদমক্তনি হায়না ট্বিটরদা থাগৎপা ভিদিও পোষ্ট অমদা নাভালনিনা হায়খি।

ওপোজিসন লিদর অসিগী সপোর্টরশিংনা লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা রেলি পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। থা অসিগী লোয়বদা মীওই ১০,০০০ না শরুক য়াগদবা মীফম অমা পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীবীনবা মোস্কোগী ওথোরিটিশিংদা এপ্লাই তৌখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা নাভালনিগী সস্পোর্টর অমসুং জর্নেলিষ্ট ৭০ হেন্না রশিয়াগী মফম কয়াদা দিতেন তৌখি।

## য়েমেনি অর্মীগা হৌথিশিংগা খূৎ থোক্লবদা ২৩ শিরে



সানা, জন্যুৱারী ১৯ (এজেন্সী) :

য়েমেনগী রেদ সিদা লৈবা হিথাংফম সিটি হোদৈদাহদা য়েমেনি অর্মী অমসুং হৌথি মিলিস্যা কাঙবুগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদা য়ামদ্রবদা নাকল অনীগী ফাইটর ২৩ শিখ্রে হায়না লোকেল গভর্ণমেন্ট মিলিটরি সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হিথাংফম সিটি অদুগীখা থংবা শরুক্তা লৈখিবা অল-দুরেহিমি দিষ্ট্রিক্টকী লিবরেট তৌরবা মফমশিংদা লৈবা অর্মী পোজিসনশিংদা হৌথিশিংনা নারোন্দগী চঙশিন্নবা হোৎনখিবগা লোয়নননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি।

থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা রেবেল ২১ শিখি অমসুং রেবেল ফোর্সশিং নম্ফন্দা হন্দোকহনখি হায়না সোর্ছ অদুনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না নোংমৈগী লাল অদুদা লান্মী অনীসু শিখি। চৈরকসিদা হৌথিশিংনা চলাসবা অল-মসিরাহ টিভিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি মদুদি হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অল-দুরাইহিমি দিষ্ট্রিক্টতা শোক্লখিবা লানদা মিলিস্যা গ্রুপ অসিগী ফাইটরশিংনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মীওই দজন কয়া হাৎখি।

য়ু এননা শীন্দুনা কুমজা ২০১৮ দা ষ্টোকহোমদা ত্রস অমা পুরকখিবদগী হোদৈদাহদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং হৌথিশিংগী মরক্তা মপুং ফাগদবা মওংদা সিজফায়র অমা চৎনখি। হিথাংফম সিটি অদুগী শরুক অমদি হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌই। অমরোমদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং খা অমসুং নোংপোকথংবা সিটিগী চিদাইশিং তম্না চঙশিনখ্রে।

কুমজা ২০১৮ গী অথেংবা শরুক্তা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি মিলিস্যানা অৱাং থংবা প্রোভিন্স কয়া পায়শিনবগা লোয়নননা প্রসিদেন্ট অব্দ-রাবু মনসুর হাদিগী মালেমনা শকখঙবা গভর্ণমেন্টবু কেপিটেল সানদগী ইন্থোকখিবদগী য়েমেনদা সিভিল ৱার থোক্তুনা লাক্লি।

মীওই লীশিং কয়া শিখিবগা লোয়নননা অরব লৈবাক অসিদা চাকতাংবগী ফীভম ফাওবা লাকহনবা য়াই হায়না কিনরিবা লাল অদুবু লেপহন্নবা য়ু এননা হোৎনরিবনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG**
**Ref :- Mut. Case No. 101/SDC/L** **dt. 18/01/2021**
Ningthoujam Santibala Leima W/o (L) Ningthoujam Sunil Meitei of Waithou Bazar.
-Vs-
Ningthoujam Sunil Singh S/o (L) Yaima Singh of Waithou
ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Lilong, the 18th January, 2021
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 11-Nungei নং Patta No. 1 (O), 587 (N) গী নং দাগ ১০গী এরিয়া ০.২১৩০ হেক্টর চাউবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখরে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী লোয়নবী (মতু) না পাট্টা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা এপ্লিকেসন থারক্লে। লম অসিগী মরীদা কনাগুম্বনা য়েৎনীংবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরকপা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, হৌনবী মতুংইন্না কোর্টনা মখা তাবা থবক চথরগনি।
***Sd/- Mangte Jonatham Kom***
HL-P/8623/20 ***Sub-Deputy Collector, Lilong (TBL) District.***

**IN THE COURT OF THE**
**SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**
**Ref :- Mutation Case No. 49/SDC/IW-L/2021**
Thounaojam (N) Lourembam (O) Satyabhama Devi, W/o. Lourembam Gunamani Singh of Chingamakha Kshetri Leikai -Petitioner
-Vrs-
Late Lourembam Gunamani Singh, S/o. (L) Leibakmacha Singh of Chingamakha Kshetri Leikai -OP/Party
ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
15/01/2021
U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লৌরেম্বম গুনমনি সিংহ পীতা মৃত লৈবাকমচা সিংহ সাং চীংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকাইগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৮-অৱাং লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা ১২৯ দাগ নং ২৫৪ এরিয়া ১.৩৯ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।
HL-P/8617/20 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**